> “মতম্মু ফাজিনগে হোৎনবদা ঘড়ী মচাদু খুবাক ময়ায়দা কন্না পায়শিল্লগা থম্মী অদুবু অদুম চৎলি। - *রতন থিয়াম (মাঙখ্রবা সহরগী লোইখ্রবা ৱারী)*

ঈশৈ লোন

## দাগফম
**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

দাগফম অদুনা
নীংশিংদবা ঙমদে
থৌদোক অদো
হেক্তা নীংশিংলকই।
ৱানা খাংখিবা চৈনাদো
ঙসিসু ফংলি
ঙরাং নহালতা
থোকখিবগুম,
কুইরবগী তুংদা
নোংমা
দাগফম অদু উরুবদা
নুমিৎ অদুগী চৈনাদো
অমুক নৌহৌননা লাকখি।
থম্মোয় য়েখিবা চৈনাদো
নাথৈদুনা খক
চৎখিবা ঙমদে,
অদুবু চৈনাদুনা
ঐবু হন্না হন্না
ওৎলরি ঙসিসু।

## কোরোনা নহাকথক্তা
**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

শাবী-শানৌ খিবিক্লা
কয়াগী মতিক ইখৌ লাংজরকপা
য়াওশঙগী থাবল চোঙবদো
হেক কাউথোকপা ঙমহনখিদেদা;
কুম অমগী শজিবু চৈরাওবদা
ইপা-ইপল, ইবুং-ইপ্পাশিংগী
ঙমজবা খুদোল তমজগে খল্লম্বসু
মঙফাওনখিদ্রবা মঙলান ওইখ্রবা;
রাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্র সনা হাক্তক্তগী
লিল্লম কায়দনা চথুজরকপা
শজিবু পুর্ণিমাগী ‘বসন্ত রাস’
কুমসিদি কুম কাংবা তাখ্রবকো।
চীংঙু লাই-ও লাইনিংথৌ
মোইরাং থাংজিং কোইরেলাই
জগোয় খুৎথেক কচ্চগে থৌরাংজরম্বা
ঙমজখিদ্রে ৱারৌবিগনুকো নশুবু;
রামজান শরীফকী শেংলবা চাকহেন্থাদা
নীজরকখিবনি ‘দুআ’ মপু অল্লাহদগী
তমথীরবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎসিবু
মালেমদগী মরূ ফূক্না মূথৎপীয়ু হায়না;
থরো থম্বাল থারিকথা
ফুগায়না লৈশাৎ তম্না থা
ফংহনবীয়ু নহাক্কী চরন থৌগল
জগৎকী মবুংঙো হে জগৎবন্ধু!
নীনি পানবা হিয়াঙ্গৈগী
নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা
খোঙদোই হুঞ্জবা ঙমজগে
নুংশিরবী ইপাম লমদম লমনুংসি;
প্রভু যিশুগী মতিক ময়াইনা
নমথেকখিদুনা কোরোনা নহাকপু
নহনফমদা হনখিবা, নতেফমদা তেখিবা
ওইরসনু খৃষ্টমাস কুম্মৈনা য়ৌরকপদা;
শিদবা মপু, কৃষ্ণ, অল্লাহ, যিশু খৃষ্ট
মপু অমতনি লৌমী ঐখোয়দদি
চিংজিন্দা ইখোঙ চোৎহনবীয়ুকো
পোইনুদা তাইবঙগী চিন চোৎননবা।

## মৈ থাগে থাজৌ
**—বি মঙাং**

মৈ থাগে থাজৌ
ফাগে ফাজৌ
চানি লৈগনি
পংফংদা ফংই
পংয়োন্দা য়োল্লি
মফম খুদিং
লৈরক খুল্লক্তা
মমলগী ৱাদনি
মতপ্তা লুপা ৫০, ১০০তনি
ফাগে ফাজৌ
মৈ থাগে থাজৌ
পংফংদা ফংই
পুংপুদা পুরকই।

## থৱায় পান্দবা ঐগী মরুপ
**—ঙাঙবম দিপাঞ্জলি**

হায়নৈ মীওইবগী পুন্সিদি লোইবা নাই
থৱায় পানবা জীব খুদিংমক
থৱায়গা হকচাংগা কায়নগনি,
নত্তে কনাসু ওমোর।
ঐগী অকোয়বদা ঐগা লোয়নরিবা নুংশিরবা
ঐগী ইমা, বাবা, ইচিন-ইনাও, মরুপ-মপাং
পূম্নমক নোংমদি লোইনা
তাইবঙ থাদোক্তুনা চৎখিগনি
নত্তে মখোয়তসু
ঐগী ইঙ্খোলদা হৌরিবা হৈপাল-লৈপাল পূম্বা
ঙাইহাক হৈরাং-লৈরাং, হৈনম-লৈনম য়েল্লম্লগা
চৎখিবা ঙাক্তনি।
নোংমা শোয়দনা কায়নগদবা লৈরবা,
তেল্লবা ঐখোয়গী পুন্সি খোঙচৎ অসিদা করিগীদমক
অমুক হিংমিন্নরিবা মতমসিদা
কায়নবগী চৈনা ফংহল্লিবনো?
অশিবগী মতৌগুম, হিংলিবা ঐনা
উনা-উনা উনদবা
খঙনা-খঙনা খঙনদবগুম লেনবা তারব্রা?
হিংবা তারি ঐসু মখোয় পূম্নমক্না থাদোক্নল্লবসু
অদুবু মতম পূম্বদা ঐগীদমক্তা
লেঙদনা অদুম লৈরগদবা
ঐহাক্কী মরুপ অমখক লৈরি।
ঐনা তাইবঙ থাদোক্তুনা চৎখ্রবসু
মহাক্তি ঐগী ইফম কন্দুনা
তাইবঙসিদা লেঙদনা লৈহৌরনি।
ঐহাক্না নুমিৎ খুদিংগী লোয়নরিবা
ঐগী অমত্তা ঙাইরবা মরুপনি
মহাক্না ঐবু, নোকহল্লি-কপহল্লি
ঐগী ৱারীবু
শুর তানা নুংশিরবা খোঞ্জেল ওইনা
তাহহল্লরি ইফমদা
তারি ঐনা ঐগী ৱারী...
অমুকসু কপ্পা-কপ্পা
করিগুম্বদসু নোক্ল-নোক্লা
নঙতনি ঐগীদি ঐগী থৱায় পান্দবা মরুপ।

## নোংদোন নত্তে ৱাংলিবা মপু মাগী শকলোননি
**—অঙোম ইবোমচা**

নোংদোন নত্তে ৱাংলিবা
মপু মাগী শকলোননি
থাজ নত্তে ঈংলিবা
নোংদোন মাগী লৈতেংনি।
থাজ মানা ঙাঞ্জবসু
নোংদোন মাগী লৈতেংনি
নোংদোন থাজ অমত্তনি
থাজ থানিল পুল্লবনি।
মশানৌ মানা কেজবসু
মশাবী মাগী মকাদনি
মশানৌ মাগী লৈতেংসু
মশাবী মানা ওইরিবনি
থাজ-থানিল পুল্লবনি।
থৱায় হকচাং অমতনি
থৱায় লৈফমসু হকচাংনি
হকচাং মাগী থৱায়নি
থৱায় মাগী হকচাংনি
থাজ থানিল পুল্লবনি।

## কায়নবা
**—রোমি তখেল্লম্বম**

মৈহৌরকফম মান্নদে, মৈচাক্তি মান্নবা
মৈচাক্তি তোঙান্নৈ, ইতিনফমদি মপুনবা
কুচু মান্নদে, পূক্নিংগী শৈশক মখল মথেল
কায়নবা কৌবী মহাক্না লৈতেংবীরি পূক্নিংবু।
শৈশক নাইনা শৈশল্লিবা কয়াগী খোর্জেবু
ইনোৎ হাপ্পীরি থোইদোক্না, কায়নবনা
লৈরমদ্রবা কায়নবা কৌবী শকহেনবী
শৈশক্লম্লোই কনানা, থুমহৎলবা শৈরোলদা।
মহাউ মথুম খঙলম্লোই, নুংশিবা হায়বগী-
লৈরমদ্রবা কায়নবা কৌবী শকহেনবী
শকখঙলম্লোই তাইবঙদা নুংশিবা করিনো
অঙানবা লৈজবনা, অমম্বা শক্তাকপীবগুম।
হে! কায়নবা, ফজখ্রেদকো নহাকসে
নঙগী নগুন লোইনাইরোই শৈথাবদা
শিনাইদ্রবা মিংলেননি, মালোম লৈশেমঙৈদগী
তৎনররোই কৈদৌনুং, নীংথিবী ‘কায়নবা’!

## শোন্থাংননা শোলহৌই
**—রাজকুমারি মীনা**

লোইনা চৎখ্রে, লোইনা মাঙখ্রে
অমত্তা লৈহৌদ্রে মখোয় পূম্নমক
য়োকচরকখিবনি ৱানা লুখ্রাবী মমানা
ৱাখলসিনা ফুম্বংনরিঙৈ হৌখ্রে পূম্নমক।
অকি তুজুংবা মীৎকুপ কয়া কয়া
লোইখ্রে, লৈহৌরে মদোমতরক।
থক্নু চাগনু কাপকনু তৌগনু
হায়খি তাবীনবা, ঙাঙখি হকচিন্না।
অহিং-তাইবঙ খায়দনা থিংদুনসু
থকখি চাখি নাচুংদনা নুমিৎ খুদিং।
নীংঙমখিদে নোংদম্বা নঙগী খোঙচৎসে
পোলোইদুদা লৈখিদে, কনবীনবা কনাসু।
অহিং তাংলৌ অথেংবা
খূৎলাম তোয়না কৌরক্লে
পারি শান্মা পাঙ্গলবা নখোয়বু
মায়কৈ সলাই খঙনদ্রবরা?
লেপ্পনু চঙশিল্লো মাঙলোমদা
য়াঙ্গংলবী ইমানি, খঙমিন্নসি কৈদৌগে
ওইখিদ্রিঙৈ শাগৈগী মৈতাল অশিবা
ইমাগী য়াথংবু হিক্তোক্লোইসি কৈদৌনুং।
হৌগৎলো থিন্থদনা, থোক্লসি মীৎকপ
খঙহল্লো নথৌদাং য়োইবু-য়োহেনবশা।
চেন্থরক্লিবা মিৎলু পিরাং তৈথোকচ
কপচদুনা নীঙমদা, শোন্থাংননা শোলহৌই।

## পুন্সিসে অসুম্না
**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

নত্তে ঐ মায়থীরবা লান্মী
হিংলি ঐ থৌনা ফনা
অকিবা য়াওদনা।
অমুকসু শানরুই ৱারী
মরোল থোকপা নূংগা
মদুনা হাপখি পাঙ্গল থৌনা।
থম্মোয়দা তাখিবা মমিশিংনা
ঐবু অমুক কপহল্লি
ঐবু অমুক নোকহল্লি।
ঐ হিংলি হৌজিক
অশাবা ভুটশিংগী মরক্তা
অমুক অমুক কিহল্লকই
ভুটশিংদুনা ঐঙোন্দা।
কুইনা মঙ মঙলুরবা তুং
তাইবঙপানসে ঐগী ওইরম্বগী
ঐনা মীকপ থোক্লকপসিদা।

# সুব্রামগী খনগৎলবা ৱারীমচা
## (চীংলোন ৱাংমগী তাইবঙ অমা উৎলিবা ৱারীমচাশিং)

ৱারী তেন্না ফজববু ৱারীমচা কৌই। ফজহন্নবা হোৎনবদা অইবা অদুগী Pre-conceived design অমা য়াওরিবনি। অরোইবদা Surprise Ending অমা পীনবা হোৎনদৌরিবনি। অদুনা ৱারীমচাদি ৱারীমচা অদুগী হেক মমিং থোনবদগী চেকশিনবা চঙঙি। অৱাবদা পুন্সি লোইরদৌবী নুপীমচা অমগী ৱারীমচা শেন্বদা ‘লাইবক চাউবী’ হায়না থোঞ্জিল্লুরবদি মমিংদুনা পোলোই তাকথোক্লে। মদুদি তৌনদে। অদুনা অইবনা পীনীংলিবা surprise ending অদু অপাবশিংদা ইঙ্গিৎ পীবা শুকয়া য়াদ্রি। মরমদি ৱারীমচাদু পানীংলোইদৌরিবনি। অপাবনা তারকপা য়াই খল্লিবা ফল্ল অদু নত্তবা তাঙ্কক অমদা লোইশিল্লম্লগা মখাদা অপাবশিংনা খলহৌনবা শরুক খাক্লমগদৌরিবনি। অদুগী মথক্তা ৱারীমচাদি চুমদ্রিং লীথনবসু ফজবা ৱাৎলি। খ্বাইদগী মিহুল হুনবা তাঙ্কক অমদগী হৌরগা, ফ্লাস বেক শীজিন্নদুনা হৌখ্রবা মতম পুশিল্লকপদি য়াই। অদুদগী মঙ, মঙলান শীজিন্নদুনা তুংগী থৌদোক অমা পুশিল্লকপসু চৎনৈ। অইবগী অমত্তা ঙাইরবা ৱাখলদি কমদৌরগা ৱারীদু অপাবশিংদা পাহন্নীংগদগে হায়বা ৱাখলসিনি, অদুগী মথক্তা নীংলম্বগী ওন্ন-তৈনবা পরিং অমদা পোলোই পীদুনা ওহ! অসি ওইরে হায়না খলহলদৌবা ওইরি। অদুনা আমেরিকাগী ৱারীমচা ইবা O Henry হায়বদুনা হায়, “ৱারীমচাদি পোৎ খুদিংদা য়াওরি, লুরিবদি মদু কমদৌনা লীগদগে হায়বদুনি।” চুমখ্রবা ৱানি। থিমদি অমা হেক্তা ওইবা য়াই, লুরিবদি খূৎলি অদুনি হায়রিবনি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরুবগী মরমদি ঙসি চীংলোন ৱাংমগী তাইবঙ অমা উৎলিবা ৱারীমচা ৩১গী লাইরিক অসিমা পারুবদা ফাওরকপনি। অইবা অসিসু ৱাংমগী অইবশিংগী মরক্তা তোমথিন ঙাল্লিবা অইবনি। লাইরিকসিমক্তি অইবা অসিগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক মঙাদগী চোল্লপ খনদোক্লগা শেন্নকপা নাচোমনি। মোইরেংজম ওংবী বাসন্তীনা নহারোল খোর্জে থৌগল্লূপ, জারিবোনগীদমক ফোঙলকপনি। অইবদু কনাসু নত্তে, ওজা সুব্রামনি।

ওজা সুব্রাম অমুক মশক তাক্লুদ্রবসু মণিপুরী খোরিরোলদা পূম্নমক্না খঙনরবা ওজানি। ঙাঙথোক্লক্লে নুংশিবা, ইথোক্লক্লে হেক্তা কৈনো অমা পীনবা হোৎনবা অইবনি। ওজা অসিগী মশক খঙগে হায়রবদি ৱারীমচাখক পারুবনদি য়ারোই। হন্দোকলোয় অমা ওইনসু মায় পাক্লবা অইবনি। ওজাগী অশেংবা মমিংদি মোইরেংজম দেব কৌই। লাইশ্রম খুলদা ১৯৪৯দা তাইবঙ ফাওরকপনি। প্রাইমারী ওজা অমা ওইনা থবক্তগী পোত্থারবা অইবনি। মনা কয়ানা লৈতেংলবা অইবসিনা ফংখ্রবা মনাশিংগী মরক্তা পনবা য়াবদি - এল সুবোল বেষ্ট টিচর এৱার্দ, জামিনিকুমার গোল্ড মেদল, লাইশ্রম থম্বাল এৱার্দ, লৈমা গোল্ড মেদল অসিনচিংবনি। অদুগী মথক্তা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা ২০১২দা সাহিত্য ভূষন উপাধি পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা অইবনি। হৌজিক ফাওবদা ৱারীমচা, শৈরেং, খোমজিনবা দ্রামা, নোভেল, হন্দোকপা, ফুঙ্গা ৱারী, পুন্সি ৱারীগী লাইরিক ৩০ ফোঙখ্রবা মীশকনি। হৌজিকসু ইবা লেপত্রিবা অইবসি মশাগী খূৎই, ষ্টাইল, মশক অমা তোপ্পা য়াওবা, ফাগি পুবা, মীবু নোকহনবা ঙম্বা ৱাহৈ-ৱাতা মরাং কায়না পুরিবা মীশকনি। মাবু ঐখোয়না মথং করি ইরক্কবা হায়না মুন্না য়েংলিবা অমসুনি।

হন্দক্কী অসিদি মহাক্না ইবা ৱারীমচা ময়ামদগী ৩১ খক খনগৎলকপনিনা হেক্তা পারুবদা নুংঙাইখ্রে। ৱারীমচা খুদিং কৈনো অমদি হেক্তা হায়রে। পাউজেল অমদি হেক্তা পীরে। ৱারীমচাগী কাঙলোন তাবা তাদবা হায়বদুনা ৱা অমা ওইরগা পাবদদি চোকথহন্দ্রে। ৱারীমচা ইবগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি ৱারী লীবা হৈবদুনি হায়নবদুমক থোকই। লৌখৎলকপা থিমসু শুরে। শা-ঙাগী ৱারীমচা য়াওরি। যূম্বাল মরীগী য়াওরি। মরুওইনা চীংলোন ৱাংমগী পুন্সি খূৎহিং, জাৎ কয়া তামিন্নবগী তোৎশিন্নরবা খুন্নাই অমগী মশক ফজনা উৎপা ঙল্লি। ও হেনরিগী ৱারীমচাশিং পারগা ন্যু য়োর্ক্কী Social History অমা ইবা য়ারনি হায়নবগুম সুব্রামগী ৱারীমচাশিং অসি পারগা মপানগী তাইবঙ ফজনা খঙবা ঙল্লে হায়নীংই। মদুদা মপান্দা ঙাঙনবা লোনয়ান, লোন্থৈ ফজনা থেংনরে। জাৎ শুরে, মৈতৈ পাংঙল, নাগা, কুকি জাৎ পূম্নমক্কী ৱাথোক লান্থোক ফজনা উহনবা ঙল্লে। তশেংনা মায় পাক্লে অইবগী খোঙচৎ। শা-ঙাবু ৱা ঙাঙহন্দুনা পর্সোনিদিফিকেসন পীবা ৱারীমচা শেন্বদি মাইবম ওজা নবকিশ্বরগী মথংদা ওজা সুব্রাম লৈরে হায়নীংঙি। ৱাংমগী নবকিশ্বর হায়না মিংগৌবা য়ারে। অদুগী মথক্তা George Orwell গী 'Animal Farm' হায়বদু নীংশিংহনবা ঙল্লে।

হেক্তা য়েংবা য়াই, অহানবা ৱারীমচা ‘পার্বতী’ হায়বসিদা ওজানা ষণবী ‘পার্বতী’ কৌবী অমগী নুংশিবা ৱারী লীরি। ষণ অসিগী মমিংদা সাহিত্য মনা ফাওবা থমদুনা ইকায়খুম্নরি। রাজকুমার সনাজাওবা হায়বা অমগী লমচৎতা শেন্নকপা ৱারীমচানি। মহাক্না কমদৌনা ইনাক খুল্লকপা, কমদৌনা মনাসি ষণবী অমগী মমিংদা থল্লিবা হায়বগী ভাষন্দা অপাবশিংসু মুনহলবা ঙম্মী। মমাগী অউল ষণ অমগী মচানি পার্বতী। অদুবু মচা অহুম পোক্লবা মতুংদা অহল ওইরবী ষণবী অদু পুখ্রি মপান্দা সনাজাউবনা লীশাং পুল্লুবদা ঈশিংদা তাদুনা শিবা উৎলি। ষণ অমা হাৎপগী প্রায়চিৎ তৌবা ওইনা সনাজাউবা চহী ৩ থা ৩ নুমিৎ ৩ ভিক্ষা চৎতুনা, কিরা থাংদুনা লেনবা তাখি। ষণদৌনা ‘অম্বো’ ‘অম্বো’ খোংবা তাখি। মদুদগী মহাক মীয়াম্না কৎপীরকপা ভিক্ষা ময়ামদুনা মহাক ইনাক খুনবা ওইরকখি হায়না পাউদমহল্লি। অদুনা শাপ্পা করিগুম্বদা বর ওল্লি হায়বা পাউরৌদু অইবনা ৱারীমচা অসিনা ফজনা উৎপা ঙম্মী হায়নীংই। হিংনবদা হোৎনজরম্বা সনাজাউবা ইনাক খুল্লগা অরিকপা মী ওইখিদে। কথোকপনা মপুং ওইখি। লালা বাজার হায়বদুদা মশাগী শাগৎলিবা য়ূম অদুফাও লোইবগা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদতা কৎথোক্লনি হায়না লাউথোকখি। ফিদ্ম্না মপান খোপ্লিবা ৱারীমচানি হায়নীংই।

খ্বাইদগী নুংঙাইবা ৱারীমচা অমসু য়াওরি। মশাগী পুন্সি ৱারীনা ফিক্সন ওলহনবা, ‘লম্মুক্নরবা পুন্সি’ কৌবা। মসিমদি তোপ তোপ্পা তাবা ৱারীমচানি। সুব্রাম কৌখিবগী মতাংসিমদি ওন্থোক্লা পকচখ্রে। ‘রাম’ কৌরম্বদগী, পামজবদগী ‘সুভঙ্কর’ কৌবা লাইরিক হৈবা অমগী মমিংসু অহলশিংনা থোনবীবনি। খরনা রাম কৌই, খরনা সুভঙ্গ অদুদগী থৈথরক্তুনা ‘সুভরাম’ কৌরকপনি। অদুদগী শমজিন্না সুব্রাম তাখিবনি হায়রি। হেক লাইরিক তম্বা হৌরকপদগীনা অইবা ওইরকপা ফাওবগী পুন্সি ৱারীবু ফজনা হাপচিনবা ঙল্লি ৱারীমচা অসিদা। লোইনা মরম চায়। থোক্ত থোক্লমদৌবা মাল্লি, থমোয় শেংনা, লৌথুপ লৌকোই লৈতনা লীবা ৱারীনিনা হেক্তা পানিংঙি। অনৌবা সুব্রাম অমা ঐখোয়না উরকই পারুবদা।

ৱারীমচা ৩১ অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱারীমচাগী কাঙলোন চুম্বা, ফজবা ৱারীমচা অমতং খল্লু হায়রবদি ‘কিশি থোকপা’ হায়বসি খন্নিংঙি। ফজখ্রে প্লোট খূৎশেম, মমিং, পোলোই ওন্থোক্লা সর্প্রাইজ ওইখ্রে। অদুগী মথক্তা গুদ এন্দিং হায়বদুসুনি। মসিদা বামন নিংঙোল কৃষ্ণকুমারী কৌবী অমগী লমচৎতা শেন্নকপা ৱারীমচানি। মহাক্না কমদৌনা মৈতৈ পাংঙন অমদা ওংলুবনো হায়বা ৱাখল অসিনা পানিংবা পোকহল্লি। অদুগী মথক্তা মাগী অমত্তা ঙায়রবা মচা রামিজ এলাইজ রামেশনা রাজকুমার সনাজাউবগী মচানুপী রাজকুমারী সনারৈ চেল্লকপদা মমা কৃষ্ণকুমারীনা শিরে মখৈ য়াখিদে। মদুগী মরমদু অরোইবা পরেংদা কৃষ্ণকুমারীনা কিশি থোক্লকপনি। কোর্ট অদুদা তিল্লম্বা মীয়াম চেক মোক লাউখিদে। সিনেমা য়েংবগুম নুংঙাইখি। মরম হায়ববু তাঞ্জা অমদা কৃষ্ণকুমারীগা রাজকুমার সনাজাউবগা উনখিবনি। নুংশিনরক্তুনা অরোনবা মরী থম্নখ্রবনি। অদুগী মহয়না কৃষ্ণকুমারী মশা ৱাই শংলক্ত্রে। অদুবু সনাজাউবদি উনবা লাকউ য়াখিদ্রে। অদুগী মহুৎ লুহোংবগী পাউ ওইনা লাক্লে, অতোপ্পা নুপী অমগা। মদুদা কৃষ্ণকুমারীনা শিখিবনা ফরে খন্না য়াঙনা থৌরকপা কার অমগী মমাঙদা চোংশিল্লুবনি। কার মপুদুনা তক্তনবা থৈদোকপদা কারদু উদা থেঙ্গায়দুনা শোকপনি। হোস্পিটালদা অনীমক পুখৎপদা কৃষ্ণকুমারীনা ফরগা কার মপু অদুনা শিখিবনি। শিরমদাইদা কার মপুদুনা কৃষ্ণকুমারীগী অৱাবা কল্লম্বনি। মানা নাউপুরিবা মচাদু মাগীনি হায়না লেপ্পল্লম্বনা কৃষ্ণকুমারী ফোংনা রমেশ পোকচখি। তৌবদদি কার থৌরকপা পুকচেল চাউবা নুপাদু মৈতৈ পাংঙল ওইরম্বনা, খঙনবা উকিল মশেলসু ওইরম্বনা পাংঙলগী ইমুংদা কৃষ্ণকুমারী বেগম ওইনা লৈবা তাখি। ঙসি চেল্লক্লিবা সনাজাউবগী মচানুপীদু মমৌ ওইরুবা তারবদি মচিন-মৌপ্পা লৌনবা তাগদৌরি। অদুনা মানা য়াদবনি। সনাজাউবা মমায় নোনখৎপা ঙমখিদে। ফজৈ।

মথংগী ফজবা ৱারীমচা অমতংগা হায়বা তারবদি ‘সখী সুইটস’ হায়বা অসিসু অমনি। মসিদা অইবনা য়াম্না মরৌ তৌনা ইরকই য়াংনা। অদুবু সুম ফজরকই, সুম ফজরকই। পাবা লোইবদা ওজা সুব্রামগী হৈ-শিংবা উরকই। এম এ ইকোনোমিক্স অনীনা হাংবা হোটেলনি। মতৈ-মনাওনা লাইরিক তম্বা য়াবা তল্লুরগা থবক ফংদবদগী হিংবা ঙম্নবা ‘সখী সুইটস’ হাংবনি। মখোয়গী চাগী মহাও হোটেল অমতনা লম্বা ঙমদ্রে। মীনা চিক্না চায়না ঙমদবা হোটেল ওইখ্রে। মদুগী অরোনবা করি লৈবগে থিবা লাকপা পাউমী অমদা সখী হায়রিবী হোটেল মপু অসিনা ৱাশকহল্লগা পাউখোঙ ফোঙলকপা ৱারীমচানি। পাউমী অদুনসু কলম চিক্তুনা মীঙোন্দা হায়দোক্লোই, পাউচেদসু ফোঙলোই হায়না ৱাশকখি। মদুদদা সখীনা ৱারীদু লীখিবনি। অপাবশিংনসু ঙক্লা নুংঙাইবা ফাওবদুনি। হিংনবা হোৎনবদা অসি ফাওবা তৌবা য়াইনা খলহনবা ৱারীমচানি। সখীনা হায়, মাগী চা হাউবগী মরম শঙ্গোম ফব্বননি। শঙ্গোম অদু খুল্লক্তগী খোন্বনি। অখোন্বা মীসু নুপীখক্তনা খোন্মী। পীরকপা মীসু নুপীঙাক্তদগীনি। নুপাগী খূৎ অমত্তা য়াওহন্দে। শঙ্গোম অফবদু ষণগী নত্তে, ইরোইগী নত্তে, হামেংগীসু নত্তে। হায়দোকপা য়াদে। অদুবু হায়রগে - খোমজিংবী নুপীশিংদগী খোন্বা মীগী, নুপীগী খোল্লাং ঙাক্তনি। শ্বাই লাউনা লোইশিনবা ৱারীমচানি। ফজখ্রে হায়নীংই।

মথংদা পন্দবা ঙমদবা ৱারীমচা অমসু য়াওরি - “চণ্ডালগী মচা” কৌবা। জাৎ খায়বা খুন্নাইগী মথোঙ হুক্তবা মচৎপু করেম্নরিবা ৱারীমচানি। মসিনা তাক্লি, ওজা সুব্রাম হ্যুমেনিষ্ট অমনি। মাগী জাৎ লৈতে, ধর্ম লৈতে। মীওইববু নুংশিবা অইবনি। অদুমক্না ৱারীমচা অসি শেন্নকপনি। পাউজেল ওইনা। ব্রাহ্মন ইমুংগী খম থেংনা অশেং-অমাং খায়বদু য়ানিংদবা উৎপা ৱারীমচানি। ব্রাহ্মন নুপী অদুনা মচানুপীদা মনা লৈরকপা হন্থবা জাৎকী মচা নুপা অমবু থীনা চৈবা উৎলি - ‘চণ্ডালগী মচা’ হায়না। কোন্নদি চণ্ডালগী মচাদু ডোক্তর ফাওবা তম্লদুনা খুলদুদা লৈরখি। ব্রাহ্মন নুবী অদু নারবদা ডোক্তর অদু কৌরুবা তাখি। চঙহন্নিংদবা ইমুংদু চঙবা তাখি। চঙলকপদা নত্তনা ব্রাহ্মন নুবীবু মশা পায়দুনা য়েংবা তাখি। মতাংদুদা অপাবশিং মিহুল চোংই করি থোক্লগাবা। অইবনা ফজনা লোইশিল্লি - ডোক্তরদি মাঙদেদা হায়রকখি ব্রাহ্মন নুবীদুনা। অদুগী মথক্তা সুব্রামগী নোক্লিং-ৱা শান্নদুনা ডোক্তর অদুনা মানা পায়রুবদু শেংদোকপা ওইনা তুলসী মনা অহুম হেকহল্লুদুনা ঈশিংনা মাসু অনাবসু চাইথোকখি শেংদোক্লিবনি হায়না। অদুদনা ব্রাহ্মন নুবী অদুনা নুংশিনা পন্থোকখি - ‘চণ্ডালগী মচাসিদি।” হন্দক্লা নুংশি খূৎচৈনি। মচানুপীদুগা ডোক্তরগা তুংগী মরীদি অপাবশিংনা খঞ্জহৌরে হায়না থনল্লগা ৱারীমচা অসি লোইশিনখি। ফজদে করম হায়নি।

ৱারীমচা অমসু য়াওরি, খুন্নাইনা পীবা চৈথেং উৎপা। মসিদি খূৎশেম ওইরসু রিএলিটি য়াম্না নকপা ৱারীমচানি। ওন্থোক্লসু নুংশিবা। ‘নাশিখোং’ হায়রিবা ৱারীমচা অসি পারুবদা করি মতৌনো হায়দবা য়াওরোই। নাগা কুকি কনফ্লিক্ট অদুদা যূম্ফম ওইরগা শেন্বা ৱারীমচানি। নাগা ইমুং অমখক কুকি মরক্তা লৈবনি খৎন-চৈনদ্রিঙৈ। ইমুং অদুনসু কুকিগী মরুপ অদুগী মতেংনা হিংলিবনা য়াম্না হন্থনা কুকিগী লোনচৎ চৎতুনা লৈজবনি। কুকিগী মরুপ অদুনসু লুনা তৌই। নাগা নুপাদুগী মচানুপা পাখঙ অদুফাও মাগী ইমুংগী থবক য়াওহল্লি। করি অমুক হায়নি, কুকি নুপাদুগী মচানুপী ইম্ফালদা লাইরিক তল্লিবদুগী চাকথোংবা ওইনা নাগা পাখঙ অদু থারিবনি, থাজবগী মথক্তা। অদুবু মীৱা ঙাঙনবা হৌরকখি। মরী লৈনখ্রে হায়না লৈশা-পাখঙদু। অদুদগী কুকি কাঙবু খুন্দিন্নরে। ৱাই তারে। নাগা নুপাদুগী মচানুপী অমবু মীয়াম মাঙদা ফোঙনা ঈজৎ লৌবনা লমন খুম্বা শক্লনি হায়না। নাগা মপাদুনা কনবা ঙমখিদে, মমানসু ঙমখিদে, নাগা মচানুপী অদুনা ফম্না কপ্পুনা হায়জৈ য়াখিদ্রে। কুকি পাখঙ মরি চঙদুনা পুশিনখি নাগা লৈশাবী অদু। পুং অমা লাক্লখি। লৈশাবীদু অঙাওবী ওইনা মফি থোংদনা থোক্লকখি। অইবনা মসিবু হৌনরিব্রা হায়বদু উৎনিংবনা শাথীবা পোলোই অমদা লোইশিনখি। মশাগী মরাল নত্তবদা নাশিখোং ওইখি। লৈশাবীদু।

মৈতৈ পাঙল ইমুং অমগী ফজবা ৱারীমচা অমসু য়াওরি, ‘ফুরিৎ’ কৌবা। মসিদি য়াম্নমক ফজখ্রে। প্লোট খূৎশেমদা। লায়রবা রিক্সো থৌবা মৈতৈ পাংঙল নুপাদুনা মচাশিংগী ফুরিৎ লৈবীরকউ হায়বদু ঙম্নবা নুমিৎ চূপ্পা অমা রিক্সো থৌরুরগা লুপা ৭০ ফংজবনি। লুপা ২০ অমনা চেঙগী খাক্লগা লুপা ৫০ অমনা মচানুপা অহুম অদুগী ঈদকী ফুরিৎ অমমম লৈবা কোন্নরি খঞ্জরুবনি। অদুবু লম্পাক অমদা উঙী উরুম অমদা ৱাদুনা পোত্থ-ারুবদা তূমথোক্লুবনি। থানা অমনা হৌদোক্লবনি। হৌদোকপদা নৎতনা লুপা ৫০ পীয়ু হায়না তখৎলকপনি। লুপা ৫০দু লৌবীহৌরে। মচাশিংগী ফুরিৎ তোক্লে। অইবনা উৎনিংলিবসি হৌজিক্কী মতমগী পুলিসকী লূজদবা, অদুগা রিক্সো থৌবশিংবু উশিৎপীদবা মতৌ উৎপনি। মৈতৈ পাংঙলশিংগী পুন্সিগা পক্লবা ৱারীমচা ওইহল্লি। অদুবু পুলিসনা মুনবা নত্তবা রিক্সো শেন্বরা কৈনো অমদা লুপা ৫০দু চঙহল্লগা ফুরিৎ লৈদবা ওইরল্লবদি হেন্না রিএলিটি নক্কনি খল্লি।

য়ামখ্রে, ওজা সুব্রামগী পাউদম্নিংঙাইসি। অদুবু মফম অসিদদি লোইনা পাউদম্বা য়ারোইদৌরি। অদুবু শম্না হায়নীংবদি মায় পাক্লে হায়বা অসিনি। ৱারীমচা ইগদবা অইবা ওইরে। ৱারী লীবদা পকচরে, অদুগা লোনয়ান ফজবা ময়াম অসিনা ৱাংমগী অইবশিংদা পীরিবা চৈথেং ফজনা উৎলে। অদুগী মথক্তা মৈতৈলোন শীজিন্নবসু মনুংগা মপানগা খেন্নবা ফজনা উৎলে - খুদম ওইনা, উনববু, ফংনবা হায়বা। শরক হোদববু চিরিক হোদবা হায়বা, মরা তপ্পবু তংতাবা হায়বা, মরক থৎলকপবু মরক্তা হত্তুনা হায়বা, মিৎ হাইফেৎ ফাওবা উইখিদে হায়বদা কাংফেৎ ফাওবা হায়বা, মৈ হৌনা শারে হায়বদা মৈপুৎ হৌনা হায়বা, লায়না উবা হায়গদবদা য়াংনমক হায়বা ফজখ্রবা লৈচল কয়া উরিবসি ঐখোয়গী লোন চাওখৎপনি হায়নীংঙি। অদুবু ‘তমজরোইগে’ হায়বগুম্বা গে তাবা শীজিন্নরকপা অসিদি মরীং মরাং ওইনা থোক্লি। অদুগী মথক্তা ৱারীমচা অনীদা রাজকুমার সনাজাওবা হায়বা মমিং অনীরক য়াওবসি চেকশিলহৌদবা মাল্লি। ওজাগী কলম লেপহন্নিংদে। অতাঙবা অইবনি, কুইনা পুন্সিসনু।■ - *সলাম তোম্বা*



| | | |
|---|---|---|
| লাইরিক | : | সুব্রামগী খনগৎলবা ৱারীমচা |
| মখল | : | ৱারীমচা |
| খোমজিনবা | : | মোইরেংজম ওংবী বাসন্তী |
| ফোঙবা | : | ২০১১ |
| অফোঙবা | : | নহারোল খোর্জে থৌগল্লুপ, জারিবোন |
| মমল | : | ১৩০/- |



# রাগ দরবারী-৪৮
**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

খোঞ্জেল অমুক হন্না হৌগৎলকই, “অসোমদা! অসোমদা! চেনখিবা ঙমদনবা ফাউ! য়েৎলোমদগী কনশিল্লু! চোংখৎলগা কনশিল্লুনে! নংনা ফুদ্রিবদু নপা মানবরা?”

রঙ্গনাথতা থৌনা অমদি খঙনিংবা অমা ফাওরকপগা লোয়ননা নুংঙাইবা অমসু ফাওরকই। মসিবু করম্বা চৎনবিনো! মফম অসিদা চৈনা ফুবা মতমদা মপা ওইরল্লবদি ফুদনা থাদোকনৈ। চাওথোকচনিংঙাই ওইবা ভারত লৈবাকনি, অদোমগী য়োকপীহৈবগী মতৌবু হন্না-হন্না থাগৎচরি!

রুপ্পন বাবুনা হায়, “ভগৌতি অমসুং নুপামচা পুন্না চৎমিন্নরম্মী। অদুগুম্বা মতৌদা নুপামচা অদুনা করিগুম্বা খরা তৌবিখ্রবা মাল্লে।”

রঙ্গনাথনা হায়, “মদুদি অচৌবা অরানবা ৱাফমনি।”

রুপ্পন বাবুনা হৈনদবগী মওংদা হায়রকই, “করি অশোইবা লৈরবগে? করিগুম্বা পোৎশক অমদা দাউ য়েংনখিবা মাল্লি। নুপামচা অদু অপঙবা মানবগী ৱানি, অদুবু খদ্রক য়াম্না হৈবনি।”

মখোয় অনীনা মায়কৈ মরিদা চেন্নরিবা অমসুং লাক্লিবা লাংবগী খোঞ্জেল অদু তানবা হোৎনৈ। রঙ্গনাথনা হায়, “হুরানবা অদু নান্থোক্তুনা চেনখ্রবা মাল্লে।”

“মফম অসিদদি অদুমক থোক্তুনা লৈরবনি।”

রঙ্গনাথনা রুপ্পন বাবুগী খুঙ্গং নুংশিজবগী মতৌ থাগৎশন্নবা পাল্লদুনা হায়রকই, “শিবপালগঞ্জদা হুরানবা লাক্লগা ফাহৌদনা চেনখিবা ওইথোক্তবা ৱানি। বদ্রি ইয়াম্বা মপান্দা থোক্লকখ্রে অদুনা অমা-অনীদি শোয়দনা ফাবা ঙমগনি।”

থায়নগী অরিবা মতমগী নেটা অমগী মতৌগুম্না হৌখ্রবা থৌদোকশিংবু নিংশিঙলদুনা রুপ্পন বাবুনা অইংবা অশাংবা নুংশা শ্বর হোনজিল্লি। অদুগা হায়রকই, “নত্তে, রঙ্গনাথ ইয়াম্বা, হৌজিক হান্নগী থায়নগী মতম অদু নত্রে। মতম অদুদি ঠাকুর দুরবিনসিংহগী মতমনি। ফাওর-ফাওরবা হুরানবা শিবপালগঞ্জগী মিং তারগা কিনরম্মি।”

রুপ্পন বাবুগী মমীৎতা থৌনা লৈবা মীবু নিংজবগী ৱাখল্লোলনা পীক থনবগী মওং অমা উরকই। অদুবু ৱাফম অদু মতাং অদুদা অদুমক লেপখ্রে। লাংবগী মখোল অদু অরোয়বা ওইনা তারকই অমসুং মীয়াম্না অতিয়াবু শেগায়হল্লগে মতাগুম বজরংবলি কি জয় হায়না লাউনরকই। রঙ্গনাথনা হায়, “হুরানবা অমা ফারবা মাল্লে।”

রুপ্পন বাবুনা হায়, “নত্তে, ঐ গঞ্জাহশিংবু য়াম্না মুন্না খঙই। হুরানবশিং অদুবু খুঙ্গংদগী শোয়দনা তান্থোক্লম্বা ওইরমগনি। হুরানবশিং অদুনা মথন্তা মখোয়বু খুঙ্গংদগী চৎচখিবা ওইরমগনি, মদু থবক মচা অমদি নত্তে? মদুগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা হরাউ-নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইরমগনি।”

থাবল ফরবা নুমিদাং অদুদা মীওই অনী-অহুম, মরী-মঙা পুনশিন-পুনশিন্দুনা ৱারী শারদুনা লম্বীদা চৎনখি অমসুং লাক্লরম্মি। রুপ্পন বাবুসু লম্বীগী মতাই অমদা লেপ্তুনা য়েংদুনা লৈরম্মি। মীওই মরী-মঙাগী কাংলুপ অমদগী মীওই অমনা হায়রকই, “নমিৎ-নানা শিংনা লৈয়ুকো রুপ্পন বাবু! নুমিদাং চুপ্পা হৈশিংনা লৈয়ু।”

রুপ্পন বাবুনা শাউনা মফম অদুদা লেপ্পা-লেপ্পা হায়, “চৎলো, মফম অসিদা কাতু-কারন য়াম্না ঙাঙলক্কনু।”

মীনা য়াম্না ফজনা চেকশিন্না লৈয়ু হায়না পাউতাক পীরম্বা অদুদা রুপ্পন বাবুনা অদুক শাউরিবা অদু করিগীনো রঙ্গনাথনা খঙবা ঙল্লমদে। ঙাইহাক লৈরবা মতুং অদুগুল্লবা পাউতাক অদু খুঙ্গং অদুগী কাচিন-কোয়া য়ৌনা নিলখিরম্মি, “চেকশিন্না লৈয়ু, নমিৎ-নানা শিংনা লৈয়ু।”

লাংবগী মখোল অদু অমুক হেক লাক অমদি অমুক হেক তপথখি। মায়কৈ মরিদা হুইসেন খোংলকপগী মখোল তারকই। রঙ্গনাথনা হায়, “তারিবা হুইসেন অসি করিগীনো?”

রুপ্পন বাবুনা হায়রকই, “পুলিসনা সিটিদা কোয়চৎ চৎতুনা ঙাক শেনবদু খঙদবরা?”

“হোয়নে! পুলিসসু হৌজিক তানফম অসিদা লাক্লবরা!”

“হোয়! পুলিসশিং অদুগনি খুঙ্গংগী মতেং পাংলদুনা দাকুশিং অদুগা লান্থেংনখিবদু। পুলিসশিং অদুননি মখোয়বু মফম অসিদগী ফুরদুনা তান্থোকখিবদু।”

রঙ্গনাথনা ঙক্লা রুপ্পন বাবুদা য়েংলম্মি, “দাকু?”

“হোয়, দাকু নত্রদি কনা ওইগনি? থাবল ফরবা অহীংদা হুরানবশিংবু লাকপ্রনে? মখোয়শিং অদুনি দাকু হায়রিবসে।”

রুপ্পন বাবু হৌনা নোক্লকই অদুগা হায়রকই, “দাদা, ৱাফম অসি গঞ্জহাশিংগী ৱারীনি, খঙবদা খরা ৱাগনি। ঐদি শুপ্নগী পাউচেদা ফোঙগদবা ৱাফম অদুগী মতাংদা হায়বনি।”

হুইসেন অমা য়ুম অদুগী হেক মখাদা লৈরিবা লম্বী অদুদা খোঙলকই। রুপ্পননা হায়, “নং মষ্টর মোতিরাম উখ্রবরা নত্রগা উদ্রিবরা? থায়নাগী মীনি। পুলিসশিংনা মাবু য়াম্না ইকায়খুমনৈ। মহাক্নসু পুলিসশিংবু য়াম্না ইকায়খুম্নরম্মী। মখোয়বু প্রিন্সিপাল সাহবনসু ইকায়খুমনৈ। থবক্তি অমত্তা তৌদবনি মখোয়শিংদু শুপ্নগী অমনা-অমবু ইকায়খুম্নদুনত্তা লৈবনি।”

“মষ্টর মোতিরাম সিটি অদুগী পাউচে অমগী রিপোর্টরনি। মহাক্না হুরানবাশিং অদুবু দাকুনি হায়নসু হায়দে, মষ্টর মোতিরাম লৈবগী করি কান্নবা লৈ?”

রঙ্গনাথ নোক্লকই। হুইসেনগী মখোল অমদি ‘মীৎ-না শিংনা লৈয়ু’ হায়বগী খোঞ্জেল অথাপ্পা মফমশিংদা শন্দোক্লা তাদুনা লৈরম্মী। মফম কয়াগী য়ুমশিংদা মীওই খরনা থোং হাংদোক্লবগীদমক লাউ-খোংবা হৌরকই। ‘থোং হাংদোক্লো ইবুংঙো’ দগী হৌরদুনা ‘শিরবজাৎলা’, ‘কৌরিসে ঐনিনে, নহাক্কী নপানিনে’ হায়বনচিংবা ৱাহৈশিংদা থোং হাংদোক্লবগী ৱাহৈশিং অদু শীজিন্নরম্মী। ৱেদ্যজিগী য়ুমগী থোংদসু কনাগুম্বা অমনা থোং থিল্লম্মী। য়ুমগী মপান্দা তুমদুনা লৈবা মীওই অমনা লোক হৌনা খুরকই। মীওই অদুনা অমুক থোং থিল্লকই। রঙ্গনাথনা হায়, “বদ্রি দাদা ওইরমগনি। থোক্তুনা, শো হাংদোকউরো।”

মহাক মখাদা কুমথরক্লে। শো হাংনা-হাংনা রুপ্পননা হংই, “কনানো?”

বদ্রিনা লাউরদুনা হায়, “থোং হাংলরোই হায়রো? কনানা থোং লোনশিল্লিবনো?”

রুপ্পননা শোং হাংদোকপা অদু তোক্লদুনা হায়, “করি মিং কৌবগে?”

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।